# পিএম মোদিনা চিয়ার লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটি রিভিয়ু মীফম পাঙথোকখ্রে

# য়ুক্রেনদা শিখিবা নবিনগী হকচাংগী শরুকশিং পুরক্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিয়ার লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ুক্রেন ক্রাইসিস মরক্তা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি প্রিপিয়র্দনেস অমসুং হৌজিক লৈরিবা মালেমগী সিনারিও রিভিয়ু তৌখ্রে।

মীফম অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্কর অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিথারামন য়াওনা কেবিনেট মিনিষ্টর কয়ানা শরুক য়াখি।



নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোভাল অমসুং ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ বর্ধন শ্রিংলাসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি। মদুগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমশিংদা য়ুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়াননশিং হোন্দোক্নবা পায়খৎলিবা ওপরেসন গঙ্গা রিভিয়ু তৌখিবনি।

য়ুক্রেনদা থোক্লিবা খোঙজেল থুনা অহোংবা লাকপা উবা ক্রাইসিস মরক্তা জয়সঙ্করনা পার্লিয়ামেন্টদা বজেট সেসনগী অনীশুবা শরুক্তা ওপরেসন গঙ্গাগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট অমা পীগনি।

মহাক্না রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফিরেপ পন্দুনসু ঙাওগনি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা য়ুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়াননশিং হোন্দোরক্নবগীদমক্তা ফেব্রুৱারী ২৪ দা ওপরেসন গঙ্গা লোঞ্চ তৌখি। পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়াননশিং অদুবু রেস্কু তৌনবগীদমক থবক কোওর্দিনেট তৌনবা সেন্ট্রেল মিনিষ্টর মরি কিরেন রিজিজু, হর্দিপ সিংহ পুরি, জ্যোতিরাধিত্যা সিন্দিয়া অমসুং জেনরেল ভিকে সিংহবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুক্রেনগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা থাখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা অখন্নবা ফ্লাইট ৮০ হেনবদা পন্দুনা লৈরম্বা ইন্দিয়ান ২০,০০০ লোম রেস্কু তৌবা ঙম্লে।

ওপরেসন গঙ্গাগী খুথাংদা ইন্দিয়ানা বংলাদেশ অমসুং নেপালগুম্বা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী সিটিজেন কয়াসু রেস্কু তৌবা ঙমখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়ান নেসনেলশিংগা লোয়ননা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী সিটিজেন খরা য়ুক্রেনদগী হোন্দোক্নবা পায়খৎলিবা ওপরেসন গঙ্গাগী অকুপ্পশিং য়াওনা য়ুক্রেনদা লাক্লিবা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ব্রিফ তৌখ্রে।

চৈরকসিদা হৌখিবা মার্চ ১ দা য়ুক্রেনগী খর্কিভতা রসিয়ান ফোর্সশিংনা সেল কাপ্পদা শিখিবা নবিন সেখর পালগী লৈহৌরিবা হকচাংগী শরুকশিং ইন্দিয়াদা পুরক্নবগী পান্থে খুদিংমক লাংননবা নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা য়েংশিনখি।

অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটি মীফম অদুদা বোর্দর এরিয়াশিংদা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি প্রিপিয়র্দনেসকা মরী লৈনবা খ্বাইদগী নৌবা থৌরাংশিংগী মরমদা মরী লৈনবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ব্রিফ তৌখি।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসন অমা চথবা হৌখিবদগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চিয়ার লৌদুনা কেবিনেটকী সেনিয়ার মিনিষ্টরশিং অমসুং ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াবা অৱাংবা থাক্কী মীফমশিং পাঙথোক্তুনা লাকখি।

মহৈরোয়শিং য়াওনা য়ুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান নেসনেলশিং এয়র লিফ্ট তৌনবা ওপরেসন গঙ্গা কৌবা অচৌবা ইভাক্যুয়েসন মিশন অমা ইন্দিয়ানা পায়খৎপা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা গভর্নমেন্টনা লান নঙলবা লৈবাক অদুদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী খুথাংদা ইন্দিয়ান ২০,০০০ রোম হোন্দোরকপা ঙম্লে।

মার্চ ১১ দা রসিয়ান ওথোরিটিনা পীবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর শীজিন্নদুনা য়ুক্রেনগী অৱাং নোংপোক থংবা সিটি সুমিদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয় ৬০০ রোম ন্যু দিল্লিদা অখন্নবা ফ্লাইটশিংনা হোন্দোরকখি।

ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিং অদু ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী সি-১৭ গ্লোভ মাষ্টর অমা য়াওনা ফ্লাইট অহুমদা দিল্লিদা থুংখিবনি।

## বেঙ্গলগী বাই ইলেক্সন

# মমতানা সত্রুগন সিনহা, বাবুল সুপ্রিয়ো খনখ্রে



কোলকত্তা, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
মরু ওইবা খোঙথাং অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনী সত্রুগন সিনহা অমসুং বাবুল সুপ্রিয়ো লাক্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বাই ইলেক্সনদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী কেন্দিদেটশিং ওইনা কন্টেষ্ট তৌরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লাউথোকখিবদা সত্রুগন সিনহানা অসানসোল লোক সভা সিটকী বাই ইলেক্সনদা পার্টিগী কেন্দিদেট ওইরগনি অমসুং বাবুল সুপ্রিয়োনা বালিগুঞ্জে এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বাই ইলেক্সনগী কেন্দিদেট ওইরগনি।

ট্যুটর পোষ্ট অমদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী চীফ অসিনা হায়, ওল-ইন্দিয়াগী ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মহুৎ শিন্দুনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সত্রুগন সিনহাবু অসানসোল লোক সভা সিটগী বাই ইলেক্সনদা ঐখোয়গী কেন্দিদেট ওইরগনি হায়না লাউথোকপদা নুংঙাইবা ফাওই।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুলাল সুপ্রিয়ো বোলি গঙ্গো এসেমব্লি সিটকী বাই ইলেক্সনদা ঐখোয়গী কেন্দিদেট ওইরগনি। টার্ম অনীরক বিজেপিগী এমপি ওইখিবা সুপ্রিয়োনা হৌখিবা চহীদা সেফ্রোন পার্টি অসি থাদোক্লগা ত্রিনামুলদা য়াওখিবদগী অসানসোল লোক সভা সিট অসি হাঙখিবনি। বালিগুঞ্জে এসেমব্লি সিট অসিনা ষ্টেট মিনিষ্টর সুব্রাতা মুখর্জি লৈখিদবদগী হাঙবনি।

# অলিগরদা লৈবা কলেজ অমনা হিজাব শীজিন্নবা নুপীমচাশিং চঙহনখিদ্রে

অলিগর, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
অলিগরদা লৈবা মমিং লৈরবা কলেজ অমনা প্রেস্ক্রাইব তৌবা য়ুনিফোর্ম শেৎতবা মহৈরোয়শিংবু কেম্পসতা চঙবা থিংবা নোটিস অমা ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা হিজাব শীজিন্নবা মুস্লিম নুপীমচাশিং চঙহনখিদ্রে।




থাংজ নুমিত্তা শ্রীবস্নি কলেজনা মহৈরোয়শিংদা ক্লাস য়াওবা মতমদা মখোয়গী মমায় খুমজিন্দনবা খঙহনখি। চঙবা য়াহন্দবদগী মহৈরোয় কয়া ময়ুমদা হন্নখি।

মহৈরোয়শিং অদুনা ফোঙদোরকপদা কলেজ ষ্টাফনা মখোয়বু চঙহনখিদে। বিএসসি অরোইবা চহী তল্লিবা মহৈরোয় অমনা হায়খি, মদুদি কলেজ ওথোরিটিশিংনা মঙোন্দা অহানবদা মহাক্না শীজিন্নরিবা বুরকা কেম্পসতা চঙলকপদা লৌথোক্নবা খঙহল্লকখি অমসুং মতুং তাবদা মখোয়না হিজাবসু লৌথোক্নবা হায়রকখি।

মখোয়না হিজাবকী মতাংদা ঐখোয়দা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবসি করিগীনো হায়বা ঐখোয় খঙবা ঙমদে। ঐহাক হিজাব য়াওদনা মফম অমদা হেক্তা চৎননবা শেম শাবা নত্তে। কলেজ অসিনা ঐখোয়বু কেম্পসতা মখা তানা চঙহন্দ্রে।

কলেজ অদুগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার বিনা উপধ্যানা ফোঙদোরকপদা মসিগী নোটিস অসিনা মহৈরোয়শিংদা কলেজ অসিগী দ্রেস কোট অমা লৈ অমসুং মসি ইনগদবনি হায়বসি খঙহল্লি। কলেজগী প্রোপটর অনিল বস্নিবু কন্টেক্ট তৌদুনা হংবদা মহাক্না হায়, কলেজকী দ্রেস কোদ অসি প্রোস্পেক্টসতা ময়েক শেংনা পল্লি।

# মাথুরাগী বঙ্কে বিহারি লাইশঙদা লাই খুরুম্বা লাকপী নুপী অমা শিরে

মাথুরা, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
মাথুরা-বৃন্দাবনগী লাইশঙশিংদা লাই খুরুম্বা লাকপা দিবোটি ৫০ গী গ্রুপতা য়াওবা মুম্বাইদগী মশাগী চহী ৬৩ শুরবী নুপী অমা বৃন্দাবনদা লৈবা বঙ্কে বিহারি লাইশঙ মনুংদা দর্সন ঙাইরিঙৈদা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু থাংজ নুমিত্তা থোকখিবনি অমসুং মদু হৌখিবা থা অমগী মতম অসিদা অসিগুম্বা অহুমশুবা থৌদোকনি। পুলিসনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবী নুপী অদু সাউথ মুম্বাইগী কুফে পেরেদ এরিয়াদগীনি। মমিংনা মাধু অগরৱাল কৌই। মহাক বিজিনেসমেন রাম প্রসাদ অগরৱালগী লোয়নবীনি অমসুং নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদা বৃন্দাবনদা লাকখিবনি।

মহাক শ্রী জি আশ্রম বৃন্দাবনদা গ্রুপ অদুগা লোয়ননা লৈখি। মহাক্কী গ্রুপ অদুগী মেম্বরশিংগী মরক্তগী অমনা পুলিসতা ফোঙদোরকখিবদা



মহাক দাইবেটিক পেসেন্টনি। সিসিটিভি ফুটেজতা মহাক্না ভিআইপি দর্সন ক্যুদা লেপ্পা অমসুং খঙহৌদনা ফমথবা অমদি লেকথবগী শক্তম উবা ফঙখি।

মহাকপু খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক শিরে হায়না ডাক্তরশিংনা লাউথোরকখি। মাধুগা লোয়ননা লাকমিন্নবা নিসা রাও কৌবা মহাক্কী মরি মতা অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা মখোয় থাংজ নুমিত্তা মুম্বাইদা হনগদদবনি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না অমুক হন্না বঙ্কে বিহারি লাইশঙদা চৎসি হায়রকখি। মহাক্কী অরোইবা মীকুপতা লাইনা মহাকপু লাইশঙ অদুগী মনুংদা লৈহনবা পামখি হায়না রাওনা মখা তানা ফোঙদোকখি। লাইশঙ অদুদা চৎত্রিঙৈ মমাঙ অয়ুক্কী মতমদা মাধু ব্রেকফাষ্ট লৌখি।

মহাক্না লেপ্লম্বদগী খঙহৌদনা ফমথরকপগা লোয়ননা লেক-থরকখিবা মতমদা লাইশঙ অদুদা মী ইয়াম য়াম্না তিনখিদে। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা পঞ্জাবকী পথান কোর্টতগী চরন দাস কৌবা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা নুপা অমা বর্সনাদা লাথমর হোলিদা শরুক য়ারবা মতুং রাধা রানি লাইশঙদা লাই খুরুম্বা চৎলিঙৈদা হার্ট ফেল ওইরকপদগী শিখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২ দা দাইবেটিক অমা ওইবগা লোয়ননা হাই বিপি পেসেন্ট অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা লক্ষ্মন সিংহ কৌবা মীওই অমা বঙ্কে বিহারি লাইশঙগী গেটকী ষ্টেয়রদা শিখি।

চয়োলগী অরোইবা নুমিৎশিংদা লাইশঙ অসিদা দিবোটি মশিং য়াম্না লাই খুরুম্বা লাকই হায়রি।

# য়ুক্রেনদগী হল্লকপা মেদিকেল মহৈরোয়শিং ষ্টদি মখা চত্থহন্নবা পিআইএল ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনদগী হল্লকপা মেদিকেল মহৈরোয়শিংবু ইন্দিয়াদা মখা তানা মহৈ তম্বা য়াহন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা সেন্টর অমসুং নেসনেল মেদিকেল কম্মিসনদা দিরেক্সন পীননবা তকশিল্লদুনা দিল্লি হায় কোর্টতা পিআইএল অমা ফাইল তৌখ্রে।



পিটিস্নর প্রভাসি লিগেল সেলগী মতুং ইন্না য়ুক্রেনদগী হল্লকপা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিংবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মেদিকেল কলেজশিংদা জেইন্ট তৌবা য়াহনবীনবা মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা পিআইএল অমা ফাইল তৌরে।

হায় কোর্টনা প্লি অদু মার্চ ২১ দা হিয়ারিং তৌনবা লেপখ্রে হায়না পিটিস্নর অদুনা ফোঙদোকখি।

এদভোকেট এমপি স্রিভিগনেসকী খুথাংদা ফাইল তৌখিবা পিআইএল অদুনা লান নঙলবা য়ুক্রেনদগী রেস্কু তৌখিবা ইন্দিয়ান মেদিকেল মহৈরোয়শিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবশিংদা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিনখি।

ৱার জোনদা লৈরুবগী অৱাবা কয়া থেংনখ্রবা নহা ওইরিবা নুপা নুপী লিশিং কয়াগী করিয়রশিং মাঙবা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না পিআইএল অদুদা পনখি।

মহৈ তম্বদা শেল চঙবগী চাং হন্থবা, মহৈ তম্বগী ক্বালিটি অমসুং মপানদা প্রেক্তিস তৌবা য়াবগী লাইসেন্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফেক্তরশিংনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ান মেদিকেল এক্সপরিয়েন্সশিংনা মেদিকেলগী মহৈ তম্বদা য়ুক্রেনদা চৎনরিবনি হায়না এদভোকেট স্রিভিগনেসনা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি।

এনইইটি পাস তৌরক্লবদি ইন্দিয়ান মেদিকেল মহৈরোয়শিংনা য়ুক্রেনদা অতে মেদিকেল এন্ট্রান্স একজাম অমত্তা থানিংঙাই ওইদে। মথক্কী ফেক্তর খুদিংমক অসিনা য়ুক্রেনবু ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিংগী মরু ওইবা পন্থুংফম অমা ওইহল্লিবনি।

য়ুক্রেনদা মহৈ তম্লিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিং ইন্দিয়াদা মেদিসিন প্রেক্তিস তৌবা য়াবগী খুদোংচাবসু ফঙহল্লি। য়ুক্রেনদগী ফঙলকপা মেদিকেল দিগ্রি অমা ফোরেন মেদিকেল গ্রেজুয়েট একজামিনেসন (এফএমজিই) পাস তৌরবা মতমদা নেসনেল মেদিকেল কম্মিসন্না একসেপ্ট তৌই।

এফএমজিইগী অনৌবা রুলশিংগী মতুং ইন্না এমবিবিএস এসপিরেন্ট অমনা মিনিমম কোর্সকী মতম চহী মরিমখায়গী মথক্তা প্রোগ্রাম মপুং ফানা লোইশিনবদা চহী তরা ফাওবা লৌবা য়াই।

কেন্দিদেটশিংনা চহী অনী ইন্টর্ন তৌবা মথৌ তাই। থা ১২ না মখোয়না ষ্টদি তৌরিবা ফোরেন মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অদুদা ইন্টর্ন তৌগদবনি অমসুং অতোপ্পা চহী অমদা ইন্দিয়াদা সুপরভাইস ইন্টর্নশিপ তৌগদবনি হায়রি।

# এনসিবিনা বেঙ্গলুরুদা লুপা ক্রোর ১.৪ রোমগী ওইগদবা সুদোইফিদ্রিনশিং ফারে

বেঙ্গলুরু, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
লূপা ক্রোর ১.৪ রোমগী ওইগদবা সুদোইফিদ্রিনগা কোন্ননা মীওই অনী ফারে হায়না নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এনসিবি) না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।



সুদোইফিদ্রিন অসি ইন্দিয়াদা গভর্নমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা পোৎশক অমনি অমসুং মসিগী মপুং ওইবা মচল অদু য়াম্না লাইচুগনবা ময়াই কাবা দ্রগ অমা ওইরিবা মেথমফেটামিন (মেথ) শাবদা শীজিন্নবা ওইবনা লোনা য়াদবা মওংদা মপানদা থাদোক্নবা হোৎনবা তোইনা থেংনৈ।

থাজবা য়াবা অকক্নবা অরোনবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা এনসিবি, বেঙ্গলুরু জোনেল য়ুনিটকী ওফিসারশিংনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা বেঙ্গলুরুগী কোরিয়র সেন্টর অমদা মপানদা পুগদবা পর্সেল অমা ইন্টরসেফ তৌখি। পর্সেল অদু ন্যু জিলেন্দদা পুগদবনি। কন্সাইনমেন্ট অদু মপুং ফানা একজামিন তৌবা মতমদা মেটালিক লঙগী ধোরি ৫০ য়াওরম্বা থেংনখি।

ধোরি খুদিংমক গ্রাম ৪০ রোমগী অকুপ্পা পোৎশক্কা লোয়ননা লোৎলমখি। কুপ্পা য়েংশিনবা মতমদা অকুপ্পা পোৎশক অদু এনদিপিএস এক্টকী মখাদা কন্ট্রোল তৌবা পোৎশক অমা ওইরিবা সুদোইফিদ্রিন ওইরমখি। পুন্না ধোরি ৫০ দগী সুদোইফিদ্রিন কেজি ১.৯৭০ ফঙখি।

এনসিবিগী টিম্না খোঙজেল থুনা লৌখৎখিবা খোঙথাংদা মীওই অনীসু পোৎশকশিং অদুগা মরী লৈননা ফাখি।

মীওই অমনা ইন্দিয়াননি অমনা সাউথ অফ্রিকান নেসনেলনি। মখোয় অনীমক দ্রগ ট্রাফিক্কিংদা শরুক য়াখি হায়বসি য়াজখি হায়না এনসিবিগী ওফিসিএলশিংনা হায়রি।

এনসিবিগী জোনেল দিরেক্তর অমিট ঘারৱাতেনা হায়, এনসিবি, বেঙ্গলুরুগী ওফিসারশিংনা মীওই অনী অদু ফাবগা লোয়ননা তোপ তোপ্পা অমদি সিষ্টেমেটিক ওইবা মওং অমদা ওপরেট তৌরম্বা দ্রগ সিন্দিকেট অমা মাঙহনবা ঙম্লে।

# বেঙ্গল, ছতিসগর, বিহার অমসুং মহারাষ্ট্রগী বাই ইলেক্সন এপ্রিল ১২ দা পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গল, ছতিসগর, বিহার অমসুং মহারাষ্ট্রগী বাই ইলেক্সনশিং এপ্রিল ১২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ভেকেন্সিশিং অসানসোল (পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং বালিগুঞ্জে এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি, ছতিসগরগী খায়রাগর, বিহারগী বোচাহন (এসসি) অমসুং মহারাষ্ট্রগী




কোলহাপুর নোর্থকী বাই ইলেক্সনশিং পাঙথোক্নবা কম্মিসন্না ৱারেপ লৌরে। ইসিগী মতুং ইন্না গেজেট নোটিফিকেসন ইস্যু তৌবগী তারিখ মার্চ ১৭ অমসুং নোমিনেসনগী অরোইবা তারিখনা মার্চ ২৪ নি। নোমিনেসন স্ক্রুটিনি তৌবগী অরোইবা তারিখ মার্চ ২৫ নি অমসুং নোমিনেসন ৱিদ্রো তৌবনা মার্চ ২৮ ফাওবা য়াগনি। ভোট থাদগদবা নুমিৎনা এপ্রিল ১২ ওইরগনি অমসুং ভোট মশিং থিবগী থবক এপ্রিল ১৬ থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি।

ইসিনা মখা তানা হায়, মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট নত্ত্রগা দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুদক্তগী চৎনগনি। পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা ইভিএম অমসুং ভিভিপিএটিশিং শীজিন্ননবা ৱারেপ লৌরে হায়নসু কম্মিসন্না ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**


**Ref. Mutation Case No. 34 of 2022**
App :- Chingtham Tondon Singh S/o (L) Ibochouba Singh of Heirangoithong Chingtham Leikai.
-Vrs-
Opp :- (Late) Chingtham Samananda Singh S/o (L) Ibochouba Singh of Heirangoithong Chingtham Leikai.

**/ NOTICE**
Dated, 11/03/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৮ নুংঙু ৱাপোকপী পাট্টা নং ৫৯ দাগ নং. ২০৩৪ এরিয়া ১.০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্ট কারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu
HL-P/1867/14

**/ পূক্তা গ্যাস্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা য়েৎকী শগন নাবা, মরক-মরকতা শিথবগুম তৌরকপা, য়েৎকী খোঙ অসিসু য়াম্না চিকপা, খোঙ শজিং তোয়না হৌবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা অমদি থুনা-থুনা চৎপা, খোঙয়া শাবা, চাবা-থকপা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাস্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাস্ট্রিক কারগা পূক প্রিক-প্রিক খোংবা, পূক চপ তিংবা অমদি পূক কংখৎপা, য়েৎকী শগন নাবা, মরক-মরক্তা শিথবগুম তৌরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, য়েৎকী খোঙ য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ-খুৎ শজিং তোয়না হৌবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙ মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ শেংনা হামদোক্তবনা খ্বাঙ য়াম্না নাবা, পূকচেপ য়াম্না নাবা অমদি হকচাংগী মফম খুদিংদা চিকপা-নাবা, খোঙ শেংনা হামদোকখিবা তারগদি চিকপা-নারম্বা অদু ফখিবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, শিংলি-নাউরি শোল্লুরকপা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক নাবা, বোক বোনদা চিকপা-নাবা, কোক ঙাওরি-ঙাওরি তৌরগা লৈবা, চাবা থকপা য়াদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, পোথারগতা লৈনিংবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, খোঙয়া শাবা, হকচাং অসি ইথিল্তা থিন্দোল্লগা লৈরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **G. Wangoi Singh**
Kakwa
HL-B/7498/14

**ꯆꯥꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / CHAHIGI DASHA YENGJARI**



Apaiba dasha, Yeknaba, Lainatinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
**(International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456
HL-P/1841/6/3-7/4 (alt)